# সিঙ্গাপুর ওপন : ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা সেকেন্দ রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



সিঙ্গাপুর, এপ্রিল ১২ :

ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা মফম অসিদা চত্থরিবা সিঙ্গাপুর ওপনগী যুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা কুমজা ২০১৬ কী ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়ন জপানগী নোজোমি ওকুহারাবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্না কেম্প্যেন হৌখ্রে।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজগী অহানবা টাইটল লৌখিবী সিন্ধুনা নোজোমি ওকুহারাদগী অকনবা চেল্লেঞ্জ মায়োক্নখ্রবসু ১০-২১, ২১-১৫, ২২-২০ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না ওকুহারাবু মায়থীবা পীখিবদা পুং অমগা মিনিট ২ চঙখি।

মঙাশুবা সীদেদ ইন্দিয়ন অসিনা অনীশুবা রাউন্দ মেচতা ইন্দোনেসিয়াগী ফিট্রিয়ানি ফিট্রিয়ানিগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

চহী অসিগী জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী রন্নরস-অপ তাখিবা বি সাই প্রনীথনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা দেনমার্ককী ইমিল হোলষ্টপু ১৭-২১, ২১-৭, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়ন অসিনা মথং রাউন্দগী মেচতা চিনাগী ক্বিয়াও বিনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

নুপীগী দবলস কম্পিটিসনদা নৌনা জুরা শেমখিবা অশ্বিনি পোন্নাপ্পা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা মতিং থোক্লা শান্নখিদুনা মালেসিয়াগী জুরা য়িন লূ লিম অমদি য়াপ চেং ৱেনবু ২১-১৯, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

অদুম ওইনমক ভমগী মচিন-মনাউ সৌরভ অমদি সমীর অমসুং সিঙ্গলস ইভেন্টতা শরুক য়ারিবী রিটুপার্না দাসনা টুর্ণামেন্ট অসিদা ঙন্না লৈহৌখিদুনা মপান থোকখি।

নেসনল চেম্পিয়ন সৌরভনা ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গির্ন্টিংগী মখুৎতা মিনিট ৩৯ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ১৫-২১, ১৪-২১ দা মায়থীহৌখি। সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী চেম্পিয়ন সমীরনা হোং কোংগী হু য়ুনগী মখুৎতা ২৬-২৮, ২১-২৩ দা মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী য়াম্না ঙন্না মপান থোকখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী রিটুপার্না দাসনা চাইনিজ টাইপৈগী হসু য়া চিংগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা মহাক্কী কেম্প্যেন লোইশিনখি।

রিটুপার্না দাসনা হসু য়া চিংগী মখুৎতা মিনিট ৫৮ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ১৮-২১, ১৩-২১ দা মায়থীহৌখি।

মিক্স দবলসকী জুরা সাটৱিকসাইরাজ রেঙ্কিরেদ্দি অমদি মনীশা কেনা চাইনিজ টাইপৈগী লু চিং য়াও অমদি চিয়াং কাই হসিনগী মখুৎতা ১৩-২১, ২১-১৬, ১১-২১ দা মায়থীহৌখি। অদুগা নুপাগী দবলস কোম্বো মানু আত্রি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিনা জপানিজ কোম্বো টাকেশী কামুরা অমদি কৈগো সোনোদাগী মখুৎতা ৮-২১, ১৬-২১ দা মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

# আই লীগ : মোহন বগাননা শিল্লোং লাজোংগা ১-১ দা দ্রো চৎখিবদগী টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

শিল্লোং, এপ্রিল ১২ :

অসর পেয়রিক দিপান্দা দিক্কানা চনখিবা পেনালটি গোলনা শিল্লোং লাজোংনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা চত্থখিবা আই লীগকী যুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মোহন বগানগা ১-১ দা দ্রো চৎখিদুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

দ্রো চৎখিবা অদুনা শিল্লোং লাজোংনা পোইন্ট অমা ফংখিদুনা টেবলগী মরিশুবা মফমদা কাখৎপা ঙমখ্রে। মখোয়না মঙাশুবা মফমদা লৈরিবা বেঙ্গলুরু এফ সিদগী পোইন্ট ৩ মাঙজিল থানা লৈরি।

মোহন বগান্না আইজোলগী মথক থংনা চৎখিদুনা টেবলগী টোপ স্পোটতা লৈবা ঙমখি।

শিল্লোং লাজোংগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৭৮ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটিদা দিপান্দা দিক্কানা গোল অমা চনখি। লাজোংনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা মোহন বাগানগী জেজে লালপেখলুআনা মেচকী মিনিট ৭৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইক্কেলাইজ তৌখি।

মেচ হেক হৌখিবগা মোহন বগান অমদি লাজোং অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। লাজোংনা ফার্ষ্ট হাফতা মোহন বগানগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা শাফুশিং পীখি। দিক্কানা টিমগীদমক গোল এটেম্পশিং তৌদুনা মোহন বগানবু তপথহনখিদে।



হোম সাইদকী সামুএল সদাপনা কাওশিনখিবা ফজরবা শুট অমা বগানগী কিপর দেবজিট মাজুমদারনা বার ৱাংমা লান্না ইন্থোকখিদুনা গোল চলহনখিদে।

মোহন বগানসু মায়োক্নখিবা সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। মোহন বগানগী প্রিটম কোটালনা তৌখিবা হেদর অমা লাজোংগী কিপর ভিশাল কাইঠনা সেভ তৌখিদুনা গোল ওইরম্বা য়াবদু অরেম্ব তাহনখি। টিম অনীমক্না অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈখি।


অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না মমাঙগী হাফতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না মতিং থোক্লা শান্নরকখি।

মোহন বগান্না লাজোংগী মায়কৈদা অকনবা শাফু পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৭৫ চৎপা মতমদা মখোয়গী মশক থোক্লবা প্লেয়র জেজে লালপেখলুঅনা শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অমনা লাজোংগী কষ্টদিয়ন নক্ষৎলল্লগা নেট মনুংদা চঙখিদুনা মখোয়গী অহানবা গোল চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

মোহন বগানগী গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা লাজোংনা চঙশিনখিবা এটেক্তা মায়োক্নবা টিমগী প্লেয়রশিংদা লৈতাদবা ওইহনখি।

মখোয়না অকনবা এটেক তৌদুনা মোহন বগানগী সাইদতা চঙশিনখিবা শাফুদা ওপোনেন্টকী প্লেয়রদা হেন্দবোল তাখিবদগী লাজোংগী ফেভরদা পেনালটি অমা পীখি। মদুদা লাজোংগী দিপান্দা দিক্কানা মেচকী মিনিট ৭৮ চৎপা মতমদা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা কাওশিনদুনা গোল চনখিবগা লোয়ননা ইক্কেলাইজ তৌখি। গোল অসিনা সিজন অসিগী মহাক্কী তরাশুবা গোলসু ওইখি অমদি শিল্লোংনা পোইন্ট অমা ফংবদা মতেং পাংখি।

# ভেটরান রোজর ফেদররনা ফ্রেঞ্চ ওপনদা হল্লক্নবা মিৎয়ে থল্লি



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১২ :

চৎলিবা চহী অসিগী অহুমশুবা ওইনা মিয়ামি টাইটল লৌখিবা স্বিটজরলেন্দগী ভেটরান রোজর ফেদররনা টেনিসতগী থা অনীরোম পোত্থারবা মতুং সিজন অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম ইভেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগীদমক মে থাগী অরোইবা শরুক্তা হল্লক্নদৌরি।

ফেদররনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মহাক্কী ১৮শুবা স্লাম টাইটল লৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়ন ৱেল্লস অমদি মিয়ামি ওপনগী ট্রোফিসু লৌখি। মমাঙ চহীদা থা তরুক্লোম মশাগী অশোকপা লৈখিবদগী টেনিসতগী মতম খরা পোত্থারুরবা স্বিস মচা অসিনা লাক্লিবা মোন্টে কার্লো, মেদ্রিদ অমদি রোমগী মাষ্টর্স সেরিজ ইভেন্টশিং য়াওনা ক্লে কোর্ট টুর্ণামেন্ট খরদা শরুক য়াররোই হায়বা ৱাফম থমখি।

স্বিসকী ভেটরান অসিনা হায়খি, ঐহাক হৌজিক য়ং য়ং লাউবা চহী ২৪ গী নহা অদুমক নৎত্রে। মরম অদুনা ঐনা ফ্রেঞ্চ ওপনখক নত্তনা ক্লে কোর্ট ইভেন্ট অমত্তা শরুক য়াররোই। ঐহাক পোত্থাবগী মথৌ তাবা অমদি হকচাং ইম্প্রুভ ওইনা থম্নবগীদমক মতম লৌদবা য়াদবনা ফ্রেঞ্চ ওপনদা ওইনা উনরসি। শান্নবা হায়বসিদা হকচাং ফিট ওইবা মথৌ তাবদা নত্তনা ৱাখল ফনা লৈহনবসু তঙাইফদে। মরম অদুনা মতম খরা ক্লে কোর্টতগী পোত্থাদুনা ফ্রেঞ্চ, গ্রাস অমদি হার্দ কোর্ট ইভেন্টশিংগীদমক শেম-শানবগী ৱারেপ লৌবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিয়ামি ওপনগী ফাইনেলদা ফেদররনা মহাক্কী কেরিয়রগী মরিরকশুবা ওইনা নদালবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা এ টি পি মাষ্টর্স সেরিজ ইভেন্টকী টাইটল অহুম্লকশুবা ওইনা লৌখি। গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৮ রক লৌখ্রবা স্বিস অসিনা গ্রাস কোর্টকী সিজনবু মরু ওইনা অখন্নবা মিৎয়েং থমদুনা মহাক্কী ৱিমল্লেদন টাইটল তরেৎ অদুগী মথক্তা মখা তানা টাইটল লৌনবা থৌরাং তৌবগা লোয়ননা ফ্রেঞ্চ ওপনগী টাইটল অমখক্তমক লৌরিবা অসি অনীরক শুহন্নবসু হোৎনরি।

ফেদররনা মখা তারদুনা হায়, ঐনা অয়াম্বা মতমদা হার্দ কোর্টতা শান্ননবা মিৎয়েং থল্লি অমদি ফ্রেঞ্চ ওপনগী মাঙওইননা চয়োল অনীরোমগী মমাঙদা ক্লে কোর্টতা হল্লক্নবা মিৎয়েং থল্লি। হৌজিক্কী ওইনা ৱিমল্লেদনবু ঐগী খ্বাইদগী চাউবা পাম্দম ওইরি অদুগা মতুংদনা অমেরিকাগী হার্দ কোর্টতা ওইনা থল্লি। ঐনা গ্রাস কোর্ট ইভেন্ট খুদিংমক মরু ওইনা লৌরি। মসিমক্না ঐনা মতম খরা পোত্থাদুনা লৈবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# আইপিএল : সঞ্জু সামসনগী সেঞ্চুরিনা দেল্লি দেয়রদেভিলসনা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টপু রন ৯৭ তা মাথীবা পীখ্রে

পুনে, এপ্রিল ১২ :

সঞ্জু সামসনগী মশক থোক্লবা সেঞ্চুরিনা দেল্লি দেয়রদেভিলসনা মফম অসিগী মহারাষ্ট্র ক্রিকেট এসোসিএসন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) ২০১৭ থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টপু রন ৯৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

কেরলাগী নহা ওইরিবা সঞ্জু সামসননা মহাক্কী মশক থোক্লা টি-২০ দা লৌখিবা হন্দ্রেদনা অহানবা ইন্নিংস অদুদা দেল্লিগীদমক ৱিকেট ৪ তুরগা অপুনবা রন ২০৫ লৌদুনা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টকীদমক টার্গেট রন ২০৬ পীরমখি। মদুগী পাউখুমদা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা ওভর ১৬.১ দা ৱিকেট পুম্নমক তুরগা রন ১০৮ খক্তমক লৌদুনা রন ৯৭ তা মায়থীহৌখি।

কেপ্টেন জহিরনা মহাক্কী টিমবু মায় পাকহনখিবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা চাউরবা থৌদাং লৌখি। মহাক্না ওভর ৩ দা রন ২০ খক্তমক পীথোক্লগা ৱিকেট ৩ লৌখিবনি।

লেগ স্পিন্নর অমিট মিশ্রাসু ওভর ৩ দা রন ১১ পীথোক্লগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা পুনেগী বেট্টিং লাইন থুগায়বদা মতেং পাংখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী পেসর পেট কুম্মিন্সনা ওভর ৩.১ দা রন ২৪ পীথোক্লগা ৱিকেট ২ লৌখি। সবাজ নদিম অমদি ক্রিস মোরিসনা ৱিকেট অমমম লৌখি।



পুনেনা মায়থীহৌখিবা অসিনা লীগ অসিদা মখোয়গী অনীরকশুবা মায়থীবসু ওইখি।

দেল্লি দেয়রদেভিলসকী সঞ্জু সামসননা বোল ৬৩ দা রন ১০২ (ফোর ৮, সিক্স ৫) কন্দুনা টিমগীদমক মশক থোক্লা য়াম্লবা রন লৌবা ঙমখি।

সাম বিল্লিংনা রন ২৪, রিশাভ পন্টনা রন ৩১ অমসুং ক্রিস মোরিসনা নোট আউটতা লৈদুনা বোল ৯ দা রন ৩৮ লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।

রাইজিং পুনে সুপর জেইন্টকী বোলর দীপক চহারনা ওভর ৩ দা রন ৩৫ পীথোক্লগা, ইমরান টাহিরনা ওভর ৪ দা রন ২৪ পীরগা, অদাম জম্পানা ওভর ৪ দা রন ৪৫ পীরগা ৱিকেট অমমম লৌখ্রবসু দেল্লি দেয়রদেভিলসকী মায়কৈদা থোইদোকপা অকায়বা পীবা ঙমখিদে।

টার্গেট রন ২০৫ লৌননবগীদমক পুনেনা তানখৎলকখিবদা টিম কেপ্টেন অজিঙ্কয়া রহানেনা বোল ৯ দা রন ১০খক্তমক লৌরম্লগা জহির খানগী বোলদা আউট ওইদুনা ক্রিসদগী মপান থোকখি।

মায়ঙ্ক অগরৱালনা রন ২০, রাহুল ট্রিপাথিনা রন ১০, এম এস ধোনিনা রন ১১, রাজট বাটিয়ানা রন ১৬, দীপক চাহানা রন ১৪ লৌদুনা মখোয়গী টিমগীদমক হোৎনরকখ্রবসু কান্নবা ফংবা ঙমখিদে।

# চিনাগী বেদমিন্টন হেদ কোচ লি য়োংবো চহী ২৪ গী মতুংদা পোত্থারগনি

বৈজিং, এপ্রিল ১২ : চাইনিজ নেসনল বেদমিন্টন টিমবু ওলেম্পিক গেমস তরুক্লক্তা গোল্ড মেদল লৌহনখিবা হেদ কোচ লি য়োংবো মহাক্কী ফমদগী পোত্থারগনি হায়না যুমশকৈশা নুমিৎতা মিদিয়া রিপোর্টতা ফোঙদোরক্লি।

চিনানা কুমজা ২০১৬ রিও ওলেম্পিক গেমসতা অশোনবা পার্ফোর্মেন্স পীখিবদগী কুমজা ২০০০ গী মতুংদা খ্বাইদগী নেম্বা ওইনা গোল্ড মেদল অনীখক্তমক লৌখিবা অদুদা মশান্না অসিগী ফেনশিংনা লিবু মহাক্কী ফমদগী পোত্থাহন্নবগীদমক প্রেসর পীখিবনি।

লিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমবু টেংজুন স্পোর্টসনা কোদ তৌদুনা ফোঙদোরকপদা ঐহাক্না ফম অসিদা পায়দুনা য়াম্লবা চহী কয়া থৌ পুদুনা লৈরকখ্রবা মতুং ঐঙোন্দা চোকথবা ফাওরে অমদি ঐহাক পোত্থাবা মতম অদু চপ চারে হায়না ইশানা খঙজরে। মসিনা হৌরক্লিবা জেনরেসনদা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবশিং অদু শীজিন্নদুনা টিমগীদমক লুচিংবা তঙাইফদ্রে হায়না ঐনা খল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, লিনা অতোপ্পা কোচিং ষ্টাফকা পুন্দুনা চাইনিজ ওলেম্পিক কম্মিটিগী এদভাইজরি পেনেলদা মথৌ তৌননবা শিন্নরগনি হায়রি।

নেসনল টিমনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারোল অমত্তা থোকপা তৌদ্রি অমদি এ এফ বিনা কনফার্মেসন তৌনবা হায়জরকখিবা অদুগী পাউখুমসু পীবা তৌদ্রি। মহাক্না হেদ কোচ ওইনা চহী ২৪ পুরকখিবা অদুদা চিনাগী মশান্না অসিদা খ্বাইদগী মায় পাকপা মীওই অমা ওইখি।

হায়রিবা চহীশিং অদুগী মনুংদা ওলেম্পিক গোল্ড মেদল ১৮ অমদি মখল-মখাগী ইন্টরনেসনল টুর্ণামেন্টতা মেদলশিং লৌখি। মহাক্না হেদ কোচকী ফমদগী পোত্থানবা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিদা অঙকপা পোক্নবসু য়াওরি হায়না রিপোর্ট তৌরি।

# বি এ আইগী প্রসিদেন্ট অখিলেশ দাস গুপ্ত লৈখিদ্রে

## *সাইনা নেহৱাল অমসুং জ্বালা গুট্টানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে*

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১২ :

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) গী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী যুনিয়ন মিনিষ্টর অখিলেশ দাস গুপ্ত হার্ট এটেক তৌবদগী যুমশকৈশা নুমিৎতা লৈখিদ্রে।

অমরোমদা, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অখিলেশ দাস গুপ্তনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোইল অমদি টোপ শট্লর সাইনা নেহৱাল অমসুং জ্বালা গুট্টানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর বানারাসি দাসকী মচানুপা অখিলেশনা যু পি ৱান গভর্ণমেন্টকী মতমদা ষ্টিলগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরমখি অমদি লক্ষনৌগী মেয়র ওইনসু লৈরমখি। মহাক্না চহী ২০ লোম কোংগ্রেসকী তোঙান-তোঙানবা ফমশিং পায়দুনা লাকখিবনি।

অখিলেশ দাস গুপ্ত অসি মশক নাইৱবা এদ্যুকেসনিষ্ট, প্রোফেসর, ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়ন অমদি ফিলান্থ্রোপিষ্টনি। মহাক অসি হান্নগী উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবা লৈখিদ্রবা ফ্রীদম ফাইটর বাবু বানারসি দাসকী মচানুপানি।

মহাক্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লেমজনিঙাই ওইরবা ওফিস অমা ওইরিবা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (রাজ্য সভা) তা চহী ১৮ চুপ্পা মথৌ তৌরমখি। মহাক্না কুমজা ১৯৯৬ কী নবেম্বরদগী কুমজা ২০১৪ গী নবেম্বর ফাওবা থংন-থংননা চহী ৬ চুপ্পা থৌ পুরমখি।

মহাক্না যু পি এ ৱানগী দোক্টর মনমোহন সিংহনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টকী মখাদা কুমজা ২০০৬ কী জানুৱারীদগী কুমজা ২০০৮ গী মে ফাওবা ষ্টিলগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা থৌ পুরমখি। মহাক্না কুমজা ২০০৩ দগী কুমজা ২০০৮ ফাওবদা সোনিয়া গান্ধিগী চ্যেরমেনশিপকী মখাদা কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুখি।



অমরোমদা, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অখিলেশ দাস গুপ্তনা লৈখিদবদা স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোইল য়াওনা টোপ শট্লর সাইনা নেহৱাল অমদি জ্বালা গুট্টানা ঙসি থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

দাস গুপ্তনা হার্ট এটেক তৌবদগী লক্ষনৌদা লৈখিদবনি। সাইনা অমদি জ্বালানা দাস গুপ্তনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়না ত্রীটরদা থাগৎলকখিবা ৱারোলদা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৫৬ শুখ্রবা দাস গুপ্তনা অকনবা হার্ট এটেক তৌরকপদগী লারি হোস্পিটালদা পুখৎখি অদুবু মহাক মফম অদুদা লৈখিদে। মহাক্কী নুপী, মচানুপী অমদি মচানুপা লৈহৌরি।

কুমজা ২০১০ গী কম্মনৱেল্থ গেমসতা হান্নগী চীফ ভি কে ভর্মাবু করপসনগী চার্জদা ফাখিবদগী দাসনা বি এ আইগী প্রসিদেন্ট ওইখি। মহাকপু য়েৎনবা য়াওদনা অমুক হন্না কুমজা ২০১৪ দা চহী ৪ গী থৌ পুনবগীদমক খনখি। মমাঙগী চহীদা মহাকপু চহী ৪ টার্মগী বেদমিন্টন এসিয়ন কনফিদরেসনগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। মহাক্না মতমদা ইন্দিয়ানা যুম্মু ওইদুনা মমিং লৈরবা বি দব্লিয়ু এফ ইভেন্টশিং পাঙথোকখি। মখোয়গী মনুংদা কুমজা ২০১৪ গী থোমাস/উবের কপ অমদি সুপর সেরিজশিং পাঙথোকখি। অদুগা সয়ীদ মোদি ইন্টরনেসনলবুনা গ্রন্দ প্রি গোল্ডগী ষ্টেটসতা ওনখৎখি।

কুমজা ২০১৩ গী ওগষ্ট থাদগী পাঙথোকপা হৌখিবা ইনাক খুল্লবা ইন্দিয়ন বেদমিন্টন লীগ হৌদোকখিবদা দাসনা চাউরবা থৌদাং লৌখি। তুংদা লীগ অসি প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ ওইনা কুমজা ২০১৫ দগী চত্থবা হৌখি।

দাস গুপ্তনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরমখিবদা নত্তনা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টদা ষ্টিলগী মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখি।

ꯅꯥꯕꯣꯟ/ MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of B.A. 3rd Year Examination 2000, bearing Roll No. 831191 & Registration No. 3745 of 1997 issued by Manipur University, on the way from Imphal to Utlou on 10/04/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Longjam Memtombi Devi
Utlou Makha Leikai
☎ 9856664963

HL-P/1319/13

**J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES, POROMPAT, IMPHAL**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 12/04/2017

***No.:*** Sealed tenders are invited from reputed, experienced and financially sound registered contractors **FOR PARKING STAND**. The qualifications, terms and conditions, instructions to the bidders, etc. may be seen in the tender document which can be downloaded from **www.jnims.edu.in** or obtained from the Office of the Director, JNIMS, A-Block, Porompat, Imphal East - 795005.

*Sd/-* **DIRECTOR, JNIMS, Manipur**

HL-B/3808/13

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 305/SDC/IW-L/ 2017***

1. Angom Angangtomba Singh S/O (L) Leishangkhomba Singh of Kharang.
2. –Do– Jiten Singh S/O A. Angangtomba Singh of –do–.

*-Petitioners*

-Vs-

Late Leichonbam Dhama Singh S/O Mukta Singh of Kharang.

*-OP / Party*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

The 12/04/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লৈচোনবম ধন্মা সিংহ পীং মৃ: মুক্তা সিংহ সাং খারংগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৯-খারং কোইরেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৪/৯৪, দাগ নং ১৭৬ কী এরিয়া ০.৪৪ চাওবা ইঙ্খোল অসিগী দংকারি নং ১ না ০.২৭ (অৱাংদা) অমসুং দংকারি নং ২ না ০.১৭ (খাদা) পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector: IW: Lamsang

HL-P/1324/13

**OFFICE OF THE ALL MANIPUR BAR ASSOCIATION, IMPHAL**

**NOTICE**

The 12th April, 2017

It is hereby notified for information of all the Ld. Members of All Manipur Bar Association that as per Resolution No. 1 of the Executive Meeting held on 12/04/2017, the Annual General Body Meeting which was scheduled to be held on 22/04/2017 vide Notification No. 9. Dated 4/04/2017 is now re-scheduled to be held on 30/04/2017. Further, the last date for renewal of membership is also extended upto 19/04/2017.

*Sd/-* **B. Supriya Devi**
***General Secretary,* AMBA**

HL-P/1057/13

**OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Dated : 01/07/2016

No.IMC/92/RO/V-T/Adv./2016-17/News Approval- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Market No. (3), New Market Shed No. 03, Licence No. 1079 শ্রী/শ্রীমতি Brahmacharimayum Ibemhal Devi W/o B. Naran Sharma of Moirangkhom Thumbuthong Imphal গী মীংদা Women Vendor পানবা অসি Vendor মশা লৈখিদ্রে। মরম অদুনা মৃতু Licence Holder গী মচাশিংনা Brahmacharimayum Ningol Sijagurumayum ongbi Indira Devi W/o Sijagurumayum Dhiren Shama of Brahmapur Nahabam Puritmayum Leirak, Imphal East না Women Vendor গী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Lessee গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Lessee গী মীং ওনখ্রগনি।

*Sd-* **Revenue Officer**
Imphal Municipal Corporation

HL-P/1322/13

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 306/SDC/IW-L/ 2017***

1. Naorem (O) Rashamani Devi W/O (L) N. Tomba Singh of Heibongpokpi.

*-Petitioner*

-Vs-

Late Naorem Tomba Singh S/O Sangai Singh of Heibongpokpi.

*-OP / Party*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

The 12/04/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার নাওরেম তোম্বা সিংহ পীং মৃ: শঙ্গাই সিংহ সাং হৈবোংপোকপীগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৬৩-হৈবোংপোকপীগী অনৌবা পাট্টা নং ৬৩, দাগ নং ২৫১ গী এরিয়া ০.২০ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector: IW: Lamsang

HL-P/1324/13